ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা এন এস সী এন-আই এমগা খুৎয়েক পীনখিবনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা এম পি সী সীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা কন্সল্টেটিভ ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম

ফয়েং গ্রাম পঞ্চায়টনা শীল্লগা ফৌহুমলোক (ফ্রিদম চীং)দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা কোভিদ লাইচৎ মরক্তা মীদিয়ানা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা পাউচে অসিগী পাউমীশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎখিবা

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শীল্লগা ৬৫শুবা ৱাইল্ডলাইফ ৱিক্কা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসনশিংদা মকোক মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা মনা খুৎশিন্নবা

এদ্যুকেসন, ফিশরি অমসুং কাদাগী মিনিষ্টর এস রাজেননা ককচিং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখিবা

Vol. 44, Issue No.195 | থাংজ, মেরাগী ২৩ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Saturday, October 10, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

কোংগ্রেস টিকেটকী ফোর্ম থাবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী হাংদুনা লৈরিবা সিটশিং মেনশিন্নবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সন ২০২০ দা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী)কী টিকেটতা মীরেপ ওইনিংবশিংগী এপ্লিকেসন ফোর্ম থাবা হৌরগনি।

এপ্লিকেসন ফোর্ম অসি বি টি রোদতা লৈবা এম পি সী সীগী ওফিসতগী ওক্টোবর ১০ দগী ওক্টোবর ১৫ ফাওবদা ওফিস অৱারদা লাল্লগা লৌরবা য়াগনি অমদি ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা ওক্টোবর ১৫ গী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ওইগনি হায়না এম পি সী সীগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : কঞ্জ্যুমর এফেয়রস, ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পাসৱাননা লৈখিদবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমসুং সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা থাদোরকপা অৱাবা ফোঙবগী চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা রাম বিলাস পাসৱান মশক নাইবা দলিট লিদর অমনি। মহাক কুমজা ১৯৯৯ দগী সেন্টরদা পাল্লকখিবা তোঙান-তোঙানবা লৈঙাকশিংদা মীহুৎ অমা ওইনা থবক তৌদুনা লাকখিবনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি লৈবাক অসিগী অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকখিবা চেরোল অদুনা হায়, দলিট লুচিংবা অসিনা হিংলিঙৈদা মতু শোন্না হিংলিবা কাঙলুপ কয়াবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরম্বদা নত্তনা শোত্থরবশিংবু হন্থনা য়েংবীবগী মায়োক্তা হনবা লৈতনা থেংনরমখি। মহাক্না লৈখিদবা অসিনা শোত্থরবা কাঙলুপশিংগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

সেকমাইগী বন্দ হেন্না কনশিল্লক্লি, লৈমখোংদা য়ুম ৫ থুগায়রম্লে, কৌক্রুক্তা মীয়াম্না রেল্লি চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হরাওথেল অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা চন্নবা মীওই খরগী ইথিলদা লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা থৌরাং য়ানিংদে হায়দুনা সেকমাইদা নেসনল হায়ৱে নম্বর টু থিংবগী খোঙজং হেন্না কনশিনখ্রে। লৈমখোং চীংমাংদনা শকখঙদবশিংনা য়ুম ৫ থুগায়রম্লে, মীওই খরসু ফূরম্লে। লৈঙাক্কী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা সেঞ্জম চিরাংদগী কৌক্রুক ফাওবা মীয়াম্না রেল্লি চৎখ্রে।

ঙসি সেকমাই কৈথেলদগী কংলাতোংবী ফাওবগী মরক্তা মীয়াম্না হায়ৱে নম্বর টু থিংদুনা লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং থিংখি। বন্দ শৌগৎপশিংনা কার অমা খাম্মু য়াদবদগী খরা অকায়-অতোয় থোকহনখ্রে। লম্বী অসিদা দিমাপুররোমদগী লাকপা পোৎচৈ পুবা গাড়ী কয়া লমখাংদা পন্দুনা লৈরি। অদুগা ইম্ফাললোমদগী দিমাপুর তম্না লাকপা বস অমদি ট্রক য়াওনা গাড়ীশিংনা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মখাদা খামদুনা লৈরি। পুলিসনা মফম অদুদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। হৌখিবা অহিংদা লৈমখোং চীংমাংদা লৈবা কাঙলুপ অমগী য়ুম মঙা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়দুনা লাকপা মীওইশিংনা অকায়-অতোয় থোকহল্লম্বগা লোয়ননা য়ুম মনুংদা থম্বা পোৎচৈশিং থুগায়দুনা অমাঙ-অতা থোকহল্লম্লে। মফম অদুদা খুন ঙাক্লিবা মীওই তরেৎসু ফূরম্বদগী অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়, মশক খঙদবা মীশিং অদুনা নুঙ থাজিন্দুনা অমদি নাওরি কাপশিন্দুনা লান্দাবগী মথক্তা য়ুমশিং অদুবু অকায়-অতোয় থোকহল্লমখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) শারিবা মফম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট ওনবা য়ারোই হায়না কাংচুপ, কৌক্রুক অমদি ফয়েংগী খুঞ্জাশিংনা পুন্দুনা ঙসি নুংথিল এন এস য়ু শাগৎলিবা মফম অসি তম্না ৱাকৎ খোঙচৎ লাকপদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি মোব বোম কাপ্তুনা তানখায়খি। খুঙ্গং অহুমগী মীয়াম্না কৌক্রুক লাই হরাওবুংদা ৱাকৎ মীফম ফল্লবা তুংদা ৱাকৎ খোঙচৎ অদু লাকখিবনি। খোঙচৎ অদুদা এন এস য়ু শারিবা মফম অসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকা মরী লৈনদে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা মফম অসি কাংপোকপীদা পানশিনবা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিংসু মীয়াম্না লাউখি।

খোঙজংলোয় অমনা ফোঙদোরকখিবদা, হৌজিক এন এস য়ু শারিবা মফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মনুংদা লৈরিবনি। স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি শাননবা লম ফাওবা শেনফম অমত্তা লৌদনা মফম অসিগী খুঞ্জাশিংনা কথোকখিবনি। অদুগা হৌজিক কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লি হায়না ফোঙদোরকপা অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চলহন্ননবা থৌরাং তৌরকপা অসি মফম অসিগী মীয়াম্না কৈদৌঙৈদা য়াবা ঙম্লোই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদা হৌজিক থোক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা হয়েং নুংথিল তোঙান-তোঙানবা সী এস ওশিং য়াওনা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোল্লগনি হায়রি।

কম্মান্দো পর্সনেলশিং য়াওনা মীওই ১৬ চেন্নবা পল্লেল দ্রগ কেস

এম পি এস ওফিসর ১ ক্রোশ এগজামিনেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ঙসিদগীনা চহী ৭ হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০১৩গী এপ্রিল ২৮দা আইন্না থিংলবা দ্রগ ময়াম মোরে তম্না পুশিন্নবা হোৎনরম্বনি হায়দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা পল্লেলদগী ফাগৎখিবা কেসকী ৱায়েলদা মসিগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) ওইবা মণিপুর পুলিস সর্ভিসকী ওফিসর অমা কোর্টনা ক্রোশ এগজামিনেসন তৌখিবগা লোয়ননা মহাকপু কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখ্রে।

ক্রোশ এগজামিনেসন অসি কেস অসিগী ৱায়েল চত্থরক্লিবা স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস), ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট, মণিপুরদা পাঙথোকখিবনি। ঙসি কোর্টসিদা ক্রোশ এগজামিনেসন তৌখ্রবা এম পি এস ওফিসর অদুগী মমিং য়েঙ্খোম চন্দ্রমনি (৬০) কৌই। মহাক স্পেসল ত্রাইয়েল কেস নম্বর- ৭৬ ওপ ২০১৮ অসিগী পি দব্লিয়ু নম্বর- ১৪ নি। কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা মসিগী অপূনবা একুইজশিংগী মরক্তগী একুইজ নম্বর ১, ৫, ৬, ৭ অমসুং একুইজ নম্বর- ২ নোংমাইথেম প্রিয়োকুমার, নম্বর- ৪ টি ঐচ বিজেন্দ্র, নম্বর- ১১ এন নিলমনি, নম্বর- ১২ আর কে বিনোজিৎ অমসুং একুইজ নম্বর- ১৬ রজনিশ কুমারগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেটশিংনা ক্রোশ এগজামিনেসন তৌখি। মহাক্লসু মসিগা মরী লৈনবা পাউখুমশিং পীখি।

এম পি এস ওফিসর অসিনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা থৌদোকসি থোকপা মতম এপ্রিল, ২০১৩ দা মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট (দি এস পি) ওইনা লৈখি হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা থৌদোকসিদগী ফাগৎলকপা দ্রগশিং খুৎশিন্নবদগী ককচিং পুলিস ষ্টেসন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর- ৬২ (৪) ২০১৩ অদুগা সেক্সন- ২১/২৯ নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্ট অমসুং ২৭ আর্মস এক্টকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (আই ও)সু ওইখি হায়বা

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

আই এ এস, এম সী এস ওফিসর ২৪গী ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) পি ঐচ ভবানন্দ শর্ম্মানা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা আই এ এস অমসুং এম সী এস ওফিসর ২৪গী ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রে।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না ফম হোংদোক-হোংজিন তৌখ্রবা আই এ এস ওফিসরশিং অদুগী মনুংদা লেটখোগিন হাওকিপনা লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট অমসুং টি এ এন্দ হিলসকী এদিসনল চীফ সেক্রেটরি ওইনা, নিধি কেসরৱানিনা আর দি এন্দ পি আর, সেরিকলচর, কাদা, ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্সকী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি ওইনা, টি রঞ্জিৎনা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

মরোল থোকপা লাই / ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ



লৈখিদবা মশিং ৩ হেনগৎলক্তুনা ৮৬ য়ৌখ্রে, কেস ২৮৫৮ না এক্টিভ ওইরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশিং অহুম হেনগৎলক্তুনা ৮৬ শুখ্রে। হৌজিক হৌজিক কেস ২৮৫৮ না এক্টিভ ওইরি।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইদুনা মীওই অহুম লৈখিদ্রে। মীওইশিং অদুদি মশাগী চহী ৫২ শুরবা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেল অমা, ককচিংদগী মশাগী চহী ৪০ শুরবা নুপা অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৭৬ শুরবা নুপা অমনি। মখোয় অহুম রিমস, জেনিমস অমসুং রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা লৈখিদবনি হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুপা ৭০ অমসুং নুপী ৫৩ য়াওনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১২৩ অমদি সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ৮ পুন্না মীওই ১৩১ নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৪৯, রিমসতা ৪, মাইপাকপীদা ২, তেংনৌপলদা ৪, নোনেদা ৩, চুড়চান্দপুরদা ২, ইম্ফাল ইষ্টতা ৯, বিষ্ণুপুরদা ১, সেনাপতিদা ৩, জিরিবামদা ৪, থৌবালদা ৯, খৃষ্টিয়ন হোস্পিটালদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ৬, ককচিংদা ৫, হিলসাইদ হোস্পিটালদা ২, এদভান্স হোস্পিটালদা ৫, ববিনাদা ১৪ অমসুং তমেংলোংদা ৪ নি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ২৪, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫৯, থৌবালদগী ১২, চুড়াচান্দপুরদগী ৪, ককচিংদগী ৫, তমেংলোংদগী ৪, নোনেদগী ৩, সেনাপতিদগী ৪, বিষ্ণুপুরদগী ১, তেংনৌপলদগী ১, জিরিবামদগী ৪ অমসুং কাংপোকপীদগী ২ য়াওরি। মপান্দগী হল্লকপা ইম্ফাল ইষ্টতগী ১ অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৮ পুন্না মীওই ৯ নত্তনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী অতোপ্পা ১১৪ দি মপান্দা চৎলুদবা মীওই ঙাক্তনি। পোজিটিভ ওইরবশিং অসি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকশিং পায়খৎপা হৌখ্রে।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং অসি ১২,৮১০ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১০,৩১৩ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল- ২৪৯৭ নি। লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলকপা কেস মশিংনা ৯৮৬৬ নি। ফগৎলক্লবা কেসশিং জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৭৭৩৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২১৩২ নি। ফগৎলকপগী চাং অসিনা চাদা ৭৭.০১ নি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কেস ২৮৫৮ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৪৯৭ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩৬১ নি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q: November 7 ta pangthok-kadouriba marakki meekhal asida money power amasung muscle power sijinnaba thingba ngamgani khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur gi Assembly Constituency 5gi marakki meekhalga mari leinana campaign chathanabada covidki SOP ngake khanbra?

Yes 20% No 80%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩১.৬৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.১৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০০.০২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

- ঐনা মীখল ময়াগী লৈবাক খরা হৈথশিন্নবসিদা মীয়াম হরাউবনা লোইরে।



- য়াম ফত্নবা মীয়াম্নি, সার !

বৃন্দানা ফাইল তৌরকপা ক্রিমিনেল পিটিসনগী নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এদিসনল এস পি থৌনাওজম বৃন্দানা পিটিসনর ওইদুনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকপা ক্রিমিনেল পিটিসন অমা কোর্টনা লৌখৎলগা খন্নরবা মতুংদা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মরক্তগী নম্বর- ১ (ষ্টেট ওফ মণিপুর)দা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে।

পিটিসনরগী ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী নম্বর- ২২ ওফ ২০২০ নি। পিটিসন অসি ষ্টেট ওফ মণিপুর য়াওনা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসরশিং অমসুং লন্নাই মীওই অমগা পুন্না ৫বু রেস্পোন্দেন্ট ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

মেট্টর অসি ঙসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর- ১দা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা পিটিসনরগী মায়কৈদগী কাউন্সেল এম গুনেধোরনা শরুক য়াখি। লোয়ননা পিটিসনরগী ৱাকৎশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ দা চয়োল মরিগী মনুংদা পাউখুম পীরক্নদবা নোটিশ ইস্যু তৌখি।

কোর্টনা ইস্যু তৌবা নোটিশ অসি রেস্পোন্দেন্ট নম্বর- ১ (ষ্টেট ওফ মণিপুর)গী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনল এদভোকেট জেনরেল এম রারিনা একশেপ্ট তৌখি। কোর্টকী নোটিশ অসি লৌখিবদগী কেস অসি মথং থাগী ৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী পার্টি পুম্নমক্তা মখোয়গী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

কম্পেন্সেসনন্না মরম ওইরগা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং থিন্থহনবীগনু : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিবু মাঙলোমদা পুখৎনবা অমদি চাউখৎপা পুরক্নবগীদমক কম্পেন্সেসনগী ইস্যুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না চাউখৎ-থৌরাংগী প্রোজেক্টশিংগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপগী মতম থিন্থহনবীগনু হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, তমেংলোং-তৌসেম হায়ৱে অসি অথুবা মতমদা উবা ফংলগনি। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী লম, লন-থুম অমদি উমং-ৱামংগী কম্পেন্সেসন অমত্তা লৌদনা লম্বী অসি শেম্বগী অয়াবা পীরকপনা তমেংলোং-তৌসেম হায়ৱে অসি ৱর্ল্ড ক্লাস হায়ৱেগী থাক্তা মীয়াম্না উবা ফংগদৌরিবনি। ষ্টেটকী ইন্টরেষ্টতা পূল্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা ফিরেপ লৌরক্লিবা খুনশিং অসিগী মনুংদা দাইলোং, তমেংলোং, পাব্রম, ফেলোং, নমতিরাম ৱান অমসুং টু, অজুরাম, চরাংবা, মান্দিয়ু, তৌসেম, ফোকলোং, কতাংঙম অমসুং কটিয়াংনচিংবা য়াওরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নেসনল হায়ৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভ্লপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্টরনসু তমেংলোং-তৌসেম হায়ৱে অসি লাল্লিবা কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারী থাদগী হৌননবা থবক পায়খৎখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, তমেংলোং-হাফলোং নেসনল হায়ৱে শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনবদা তমেংলোং অমসুং তৌসেম সব-দিভিজনগী খুন ১১না লম কৎলকপা অসিগীদমক্তসু ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোরকখিবদা, খুন ১১ অসিগী ভিলেজ ওথোরিটিশিংগী মীহুৎশিংনা অইবা ওইনা পীরক্লগা কম্পেন্সেসন অমত্তা য়াওদনা মখোয়গী লমশিং অসি লৈঙাক্তা কথোক্লে হায়না খঙহল্লকখিবনি। ভিলেজ ওথোরিটিশিংনা ষ্টেট অসিগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিংদা কথোরকপা অসি পূল্লিং থৌগৎনিংঙাইনি। কম্পেন্সেসন অমত্তা দিমান্দ তৌদনা চাউখৎ-থৌরাংগীদমক লৈঙাক্তা লম কথোরকখিবা অসি হন্দক্লা অহানবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

জোটিন ৱাইখোমগী ইলেক্সন পিটিসন

এম এল এ জয়কিষননা মিসেলিনস এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌরক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ (ঐচ এন এস) : থাংমৈবন্দ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী কুমজা ২০১৭ দা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লী ইলেক্সনদা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা কোংগ্রেস এম এল এ খুমুকচম জয়কিষনগী মথক্তা মীখলদুদা মহাক্না লম্বা তৌনখিবা জোটিন ৱাইখোমনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী ৱায়েল চত্থরিঙৈ চৈরক্তা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা এম এল এ অসিনা মিসেলিনস এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌরকখ্রে।

পিটিসনর জোটিন ৱাইখোমগী ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর- ৮ ওফ ২০১৭ নি। মেট্টর অসি ঙসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-১ দা মখা তাবা ৱায়েলগীদমক লিষ্ট তৌখি।

কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা এম এল এ অসিগী মায়কৈদগী ইলেক্সন পিটিসন অসিগা মরী লৈনবা অনৌবা মিসেলিনস কেস অমমুক ফাইল তৌরকখি। অনৌবা এমসী অসিদা হান্না কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক রেস্পোন্দেন্ট অসিগী মায়কৈদগী সবমিট তৌখ্রবা ‘ইস্যু’শিংগী মথক্তা ইনৌ নৌবা ইস্যু অমা হাপচিঞ্জগে মসিদা কোর্টনা অয়াবা পীবীয়ু হায়জরকখিবনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

প্রিপাক্কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৯ : পিপলস রেভল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক)কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা পেপে দমিক ওইদুনা ইরমদমসিদা কম্যুনিটি ট্রান্সমিসনগী তাঙ্কক য়ৌরকপগা লোয়ননা অনাবা অমদি অশিবগী মশিং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্তুনা ঐখোয়গী মীয়াম হীরম খূদিংমক্তা ৱাবগী মতোল লোল্লবা লুরবা ফীভম মরক্তা ইচম চম্বা থৌরম খরগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা প্রিপাক্কী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দাগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ লৈবাকঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লূপকী ৪৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম অসি ৭০১ মোবাইল বট্টালিয়ন, টেক্কিকেল হেদ কার্টর (টি ঐচ ক্যু), বেজ এরিয়াশিং, ট্রাঞ্জিট কেম্প অমদি ট্রেনিং সেন্টরশিংদসু পাঙথোকখি। পার্টিগী এক্টিং চেয়রমেননা মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল চেরোল পাথোক্তুনা রেদ আর্মিশিংদা ৱাখল-লৌশিং ওইহনবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা, প্রিপাকনা চহীগী ওইনা পুথোকপা চেফোঙ ‘কংলা শেমপুং’ ভোল্যুম-৬, ইস্যু নম্বর ৬ ফোঙদোকখি।

অরোইবদা, ৪৩শুবা প্রিপাক্কী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীবীরকখিবা ৱেসিয়া লমদম অমসুং ইরমদম অসিগী নীংতম

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

হৌজরে
হৌজরে
নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা
Manipur Cab Service হৌজরে।
মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।
Dial: 18003453838
6909967574 / 8258070746
6909608909 / 9402267525
Service starts 9:00 a.m.
Service upto 5:00 p.m.
MANPUR CAB SERVICES
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-B/6441/7th Oct. to 5th Nov.

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫